

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, WEDNESDAY, JUNE 21, 2017 **PAGE 7**




*কর্নতকা ষ্টেট ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী শান্নরোই অমা ওইরিবা অদুগা*
*কেরলা ক্রিকেট এসোসিয়েসননা টিম অদুগী কেপ্টেন ওইননা ইনভাইট*
*তৌরকপদা অরোইবা ৱারেপ লৌননবা হোৎনরিবা রোবিন উথাপ্পা*

*য়ুএসএগী ইরিন সিটিদা পাঙথোকপা য়ুএস ওপন গোল্ফ টুর্নামেন্ট ২০১৭*
*তা অতোপ্পা শান্নরোই কয়াবু মায়থিবা পীদুনা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উত্তুনা*
*টাইটল ফংখ্রবা য়ুম্নু লৈবাক অদুমক্কী শান্নরোই ব্রুক্স কোএপকা*

## ইন্দিয়া নেদরলেন্দসকী মখুত্তা পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিখ্রে কানাদা অমসুং স্কোটলেন্দ পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে


ইন্দিয়া অমসুং নেদরলেন্দসনা শান্নখিবা হোক্কি ৱার্ল্ড লীগ সেমি ফাইনেলগী মেটচ অমগী মতাং

*লন্দন, জুন ২০ঃ*
ইংলেন্দগী সিটি লন্দনদা চখরিবা হোক্কি ৱার্ল্ড লীগ সেমি ফাইনেলগী পুল (বি)গী অরোইবা অমদি ৪ শুবা মেটচতা ইন্দিয়াবু নেদরলেন্দসনা পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীখ্রে। অমরোমদা পুল অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা কানাদা অমসুং স্কোটলেন্দ পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে।

নীংশিংবা য়াবদি ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি টিম অসি মমাঙদা শান্নখিবা মেটচ ৩ দা ৩ মক মায় পাক্তুনা মাঙজৌননা লীগ অসিগী ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবনি। ইন্দিয়ানা ক্কার্টর ফাইনেলদা পুল (এ) গী অহুমশুবা টিমগা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি ইন্দিয়া অমসুং নেদরলেন্দসনা শান্নখিবা পুল (বি) গী মরিশুবা রাউন্দগী মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা নেদরলেন্দসকী শান্নরোইশিংনা খুদুম চন্দুনা লৈখি। শান্নবগী ঙল্লিঙৈ অনীশুবা মিনটতা থিয়েরি ব্রিঙ্কমেননা য়াম্না ফজবা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা ওইখি।

পাঞ্জল অমা মাঙজিল থারবা নেদরলেন্দসকী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চখরকখিবা এটেক অমদা শান্নবগী ১২ শুবা মিনটতা সন্দর বার্টনা পেনাল্টি কোর্নরগী মতেংনা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা ইন্দিয়াবু মখোয়না পাঞ্জল ২–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

টিম অনীনা মখা তানা শান্নরকপদা নেদরলেন্দসকী মায়কৈদগী এটেক চখবা লেপখিদে। শান্নবগী ২৪ শুবা মিনটতা নেদরলেন্দসকী মির্কো প্রুসরনা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা ইন্দিয়াবু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৩–০ দা হেন্দুনা লৈখি।

পাঞ্জল ৩ শোখদুনা লৈরিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা মখোয়গী মথক্তা নেদরলেন্দসকী শান্নরোইশিংনা চনশিল্লকখিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোক্কবা হোৎনরকখি। শান্নবগী ২৮ শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী অকাসদিপ সিংহনা পাঞ্জল অমা হন্দোকখ্রবসু মেটচকী অপীবা মতম লোইশিনখিবদগী নেদরলেন্দসকী মখুত্তা পাঞ্জল ১–৩ দা মায়থিহৌখি।

হোক্কি ৱার্ল্ড লীগ সেমি ফাইনলগী ঙসি শান্নখিবা পুল (বি) গী অতোপ্পা মেটচ অমদা কানাদা অমসুং স্কোটলেন্দ পাঞ্জল ১–১ চন্নরগা দ্রো চৎখি।

কানাদা অমসুং স্কোটলেন্দগী মেটচ অদু হৌবদগী লম্বা য়াম্না মান্নরকখি। শান্নবগী অহানবা হাল্ফকী মতম অয়াম্বদা পাঞ্জল লৈনরুদ্রবা মতুং শান্নবগী ২৯ শুবা মিনটতা কানাদাগী গোর্দোন জোহস্তোননা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমা চনখ্রবা মতুং অহানবা হাল্ফকী অপীবা মতম লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদগী স্কোটলেন্দনা মখোয়গী মথক্তা চনশিল্লকখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্কবা হোৎনরকখি। শান্নবগী ৪১ শুবা মিনটতা স্কোটলেন্দগী শান্নরোইশিংনা চখরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুদা শরুক য়ারিবা ৱিলি মার্সেলনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা ইক্কেলাইজর অদু ওইরবা মতুং মখা তাবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী মেটচ অদু টিম অনীমক পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখি।

ঙরাং শান্নখিবা পুল (এ) গী মেটচ অমদা পাকিস্তাননা স্কোটলেন্দবু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীরমখি। অদুগা অতোপ্পা মেটচ অমদনা নেদরলেন্দসনা কানাদাবু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীরমখি।

হোক্কি ৱার্ল্ড লীগ সেমি ফাইনেলগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা আর্জেন্টিনানা চাইনাবু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ১০–০ দা মায়থিবা পীখি।

## কনফিদরেসন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মেটচ অমদা জর্মনিনা ওষ্ট্রেলিয়াবু পাঞ্জল ৩–২ দা মায়থিবা পীখ্রে


জর্মনি অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা শান্নখিবা কনফিদরেসন কপ্তা টিম অনীগী শান্নরোইশিংনা বোল মুন্নবা

*সোচি, জুন ২০ঃ*
রুশিয়ানা য়ুম্নু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা ফিফা কনফিদরেসন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা গ্রুপ (বি) গী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা জর্মনিনা ওষ্ট্রেলিয়াবু পাঞ্জল ৩–২ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ফিফা কনফিদরেসন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা কফিদরেসন ৬ তগী পুন্না লৈবাক ৮ না গ্রুপ অনী থোক্লগা লম্বা তৌনরিবনি।

গ্রুপ (এ) দা য়ুম্নু রুশিয়া, মেক্সিকো, পোর্টুগাল অমসুং ন্যু জিলেন্দনা লম্বা তৌনরি। অদুগা গ্রুপ (বি) দনা চিলি, জর্মনি, ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং কেমেরুননা লম্বা তৌনরি।

গ্রুপ (বি) গী ঙসি জর্মনি অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌবদগী জর্মনিগী শান্নরোইশিংনা খুদুম চনবা ঙমখি। শান্নবগী ৫ শুবা মিনটতা জর্মনিগী মায়কৈদগী চখরকখিবা এটেক অমদা লার্স ষ্টিন্দলনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ওষ্ট্রেলিয়াবু মাঙজিল থাবা ঙমখি।

জর্মনিনা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থারবা ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগীসু এটেক কনশিনবা হৌরকখি। অদুবু জর্মনিগী দিফেন্দরশিংনা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোইশিংনা পুশিল্লকখিবা বোলশিং অদু নীংথিনা ঙাকথোক্তুনা লৈখিবদগী পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখি।

জর্মনিনা পাঞ্জল অমা হেল্লবা মতুং টিম অনীমক মতম কুইনা পাঞ্জল লৈনরুদ্রবা মতুং শান্নবগী ৪১ শুবা মিনটতা ওষ্ট্রেলিয়ানা চখরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী টোম রোজিক্কা ইক্কেলাইজর অদু চন্দুনা টিম অনীমক পাঞ্জল ১–১ দা লৈনখি।

শান্নবগী অহানবা হাল্ফ লোইগদবা মিনট অমত্তং ঙাইরবা মতমদা জর্মনিগী শান্নরোইশিংনা পুশিল্লকখিবা পাঞ্জল ওইরগদবা বোল অমা ওষ্ট্রেলিয়াগী দিফেন্দরশিংনা পেনাল্টি বোক্স মনুংদা নিয়ম লান্না বোল থিংলুবদগীদমক জর্মনিনা পেনাল্টি অমা ফংখি।

পেনাল্টি অদু জর্মনিগী মরুওইবা ষ্ট্রাইকর অমা ওইরিবা জুলিয়ান দ্রেক্সরনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা জর্মনিনা অমুক ২–১ দা মাঙজিল থারবা মতুং অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা টিম অনীনা অকনবা লম্বা তৌনরকখি। শান্নবগী ৪৮ শুবা মিনটতা জর্মনিগী লিওন গোরেটজানা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ওষ্ট্রেলিয়াবু ৩–১ দা মাঙজিল থাখি।

পাঞ্জল অনী শোখরবা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোইশিংনা জর্মনিগী মায়কৈদা এটেক কনশিল্লকখি। শান্নবগী ৫৬ শুবা মিনটতা ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী চখরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুদা শরুক য়ারিবা টোমি জুরিক্কা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখ্রবসু মেটচকী অপীবা মতম মিনট ৯০ লোইশিনখিবদগী মেটচ অদু জর্মনিনা পাঞ্জল ৩–২ দা মায়থিবা পীখি।

## এগোন চেম্পিয়ন্সিপ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী অহানবা রাউন্দদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান বৃটেনগী এন্দি মুরে ওষ্ট্রেলিয়াগী জোর্দান থোমসনগী মখুত্তা মায়থিহৌরে


এগোন চেম্পিয়ন্সিপকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা মায়োক্নখিবা বৃটেনগী এন্দি মুরে (য়েৎ) অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগী জে থোমসন

*লন্দন, জুন ২০ঃ*
ইংলেন্দগী সিটি লন্দনদা চখরিবা এগোন চেম্পিয়ন্সিপ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী অহানবা রাউন্দদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান বৃটেনগী এন্দি মুরে ওষ্ট্রেলিয়াগী জোর্দান থোমসনগী মখুত্তা মায়থিদুনা লৈহৌরে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদুদা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সিদেদসু ওইরিবা বৃটেনগী এন্দি মুরেনা ওষ্ট্রেলিয়াগী সিদিং ফংদনা শরুক য়ারকখিবা জোর্দান থোমসনগা লম্বা তৌনরকপদা টাই ব্রেক্তা থোমসননা ৭–৪ দা হেন্দুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেট অদুদা সেট অমা মাঙজিল থারিবা থোমসনগী মায়কৈদগী ফজবা মশান্না উত্তুনা শান্নরকপদগী বৃটেনগী মুরেগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা বৃটেনগী নোরিবু ৬–১, ৬–৪ দা থোইরম্বা য়ুএসএগী সাম ক্বেরিগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিদা অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা স্বিজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিনকাবু স্পেনগী ফেলিসিয়ানো লোপেজনা ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৭–৬(৭–৪), ৭–৫ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

ইংলেন্দগী অতোপ্পা সিটি বিরমিংহামদা চখরিবা এগোন ক্লাসিক টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী দবলসকী অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী সনিয়া মির্জা অমসুং য়ুএসএগী কো কো ভান্দিৱেগিগী জরানা ক্রোএসিয়াগী জুরাক অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী রোদিওনোভাবু ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–২, ৬–৪ দা মায়থিবা পীদুনা ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা য়ুক্রেনগী স্বিটোলিনা অমসুং ফ্রান্সকী সি জিওর্জি লম্বা তৌনরগনি। টুর্নামেন্ট অসিদা অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী য়ুক্রেনগী স্বিটোলিনানা অহানবা রাউন্দদা বৃটেনগী ঐচ ৱাটসনবু ৬–২, ৫–৭, ৬–৩ দা থোইরম্বনি। অদুগা অনীশুবা রাউন্দদা লম্বা ওইগদৌরিবা ফ্রান্সকী সি জিওর্জিনা অহানবা রাউন্দদা রুশিয়াগী এন ভিখলয়ান্টসেভাবু ৬–৩, ৭–৬(৭–৪) দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা জেক রিবব্লিক্কী কে সিনিয়াকোভা অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগী দি গাভ্রিলোভা লম্বা তৌনগনি। জেক রিবব্লিক্কী কে সিনিয়াকোভানা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা জপানগী এন হিবিনোবু ৭–৫, ৭–৫ দা থোইরম্বনি। অদুগা ওষ্ট্রেলিয়াগী দারিয়া গাভ্রিলোভানা মহাক্কী অহানবা রাউন্দদা চাইনিজ তাইপৈগী এস দল্লিয়ু শৈবু ৬–৪, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ৪ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা বৃটেনগী জোহানা কোন্টানা য়ুক্রেনগী এল সুরেনকোবু ৬–৩, ৭–৬(৮–৬) তা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা য়ুএসএগী মেক হেলবু ৬–৪, ৬–২ দা থোইরম্বী য়ুএসএগী কো কো ভান্দিৱেগিগা লম্বা তৌনরগনি।

## ইন্দিয়াগী পরুপল্লি কাশ্যপ, সিরিল ভর্ম অমসুং রুথভিকা গাদে ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন বেদমিন্টনগী মেন দ্রোদা চঙখ্রে


ওষ্ট্রেলিয়ান বেদমিন্টনগী মেন দ্রোদা চঙখ্রবা ইন্দিয়াগী পরুপল্লি কাশ্যপ, সিরিল ভর্ম অমদি রুথভিকা গাদে

*ন্যু দিল্লি, জুন ২০ঃ*
ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন সুপর সেরিজ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী মেন দ্রোদা শরুক য়াননবা ক্কালিফায়িং রাউন্দদা শরুক য়াখিবা শান্নরোই ৪ গী মনুংদা অহুম (পরুপল্লি কাশ্যপ, সিরিল ভর্ম অমসুং রুথভিকা গাদে) মায় পাক্তুনা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারগনি।

ঙরাং ওষ্ট্রেলিয়াগী সিদনি সিটিতা লৈবা ওলিম্পিক পার্ক স্পোর্টস সেন্টরদা শান্নখিবা ক্কালিফায়িং রাউন্দদা ইন্দিয়াগী হৌজিক–হৌজিক ৱার্ল্ড নম্বর ৬৯ দা লৈরিবা পরুপল্লি কাশ্যপনা ক্কালিফায়িং রাউন্দগী অহানবা মেটচতা চাইনাগী ঝাও জুন পেংবু ২১–১৫, ২১–১৮ দা থোইরবা মতুং অনীশুবা রাউন্দদা থা অসিগী ১৮ লোইশিনখিবা ইন্দোনেসিয়া ওপন সুপর সেরিজ প্রেমিয়র বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা রন্নর্স অপ তাখ্রবা জপানগী কাজুমাসা সকাইবু ২১–৫, ২১–১৬ দা থোইদুনা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন অসিগীদমক মেন দ্রোগীদমক ক্কালিফাই ওইরকপনি।

ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন অসিগী ক্কালিফায়িং রাউন্দদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই সিরিল ভর্মনা অহানবা রাউন্দদা ইন্দোনেসিয়াগী য়েহেসকিল ফ্রিটজপু ২১–১৯, ২১–১৯ দা থোইরবা মতুং অনীশুবা রাউন্দদা সিরিল ভর্মনা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই স্রিয়ান্স জৈসৱালবু ২১–১৬, ২১–১৪ দা থোইদুনা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন অসিগী মেন দ্রোগীদমক ক্কালিফাই ওইখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী কাঙলুপ্তা মেন দ্রোদা শরুক য়ানবা হোৎনরকখিবী ইন্দিয়াগী রুথভিকা গাদেনা ক্কালিফায়িং রাউন্দগী অহানবদা য়ুম্নু ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই সিলভিনা কুর্নিয়াৱানবু ২১–১৫, ২১–১৫ দা থোইরবা মতুং অনীশুবা রাউন্দদা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোই রুৱিন্দি সেরাসিঙ্গেবু ২১–১৯, ২১–১৭ দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী মেন দ্রোগীদমক ক্কালিফাই ওইখি।

হন্দক্তা লোইশিনখিবা ইন্দোনেসিয়া ওপন সুপর সেরিজ প্রেমিয়র বেদমিন্টন টুর্নামন্টতা ৱার্ল্ড নম্বর থ্রি মালেসিয়াগী লি চোংৱৈবু মায়থিবা পীবা ঙমখ্রবা মতুং সেমি ফাইনেলদা মায়থিহৌরবা ইন্দিয়াগী ঐস এস প্রনোইনা মেন দ্রো অসিগী অহানবা রাউন্দদা ইংলেন্দগী শান্নরোই রজিব ওসেপকা লম্বা তৌনরগনি।

হন্দক্তঙা ইন্দোনেসিয়া ওপন সুপর সেরিজ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসতা টাইটল ফংবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী কিদম্বি স্রিকান্থনা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন অসিগী অহানবা রাউন্দদা চাইনাগী শান্নরোই কান চাউ য়ুগা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী নুপীগী দবলসতা শরুক য়ারিবা আস্বিনি পোনাপ্পা অমসুং সিক্কি রেদ্দিনা অহানবা রাউন্দদা স্বান ৱেন্দি চেন অমসুং জেনিফর টামগা শান্নরগনি।

## আইসিসি ট্রোফি চেম্পিয়ন ওইখ্রবা পাকিস্তান ৬ শুবদা হাইগৎখ্রে

*দুবাই, জুন ২০ঃ*
হন্দক্তঙা লন্দনদা লোইশিনখিবা আইসিসি চেম্পিয়ন্স ট্রোফি ৱান দে ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা মমাঙগী চেম্পিয়ন ইন্দিয়াবু রন ১৮০ দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা পাকিস্তানগী ক্রিকেট টিম নৌনা থোরকপা ৱান দে ইন্টরনেসনেলগী টিমশিংগী ওইবা মথং মনাও নাইবা পরিংদা ৬ শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

দুবাইদা লৈবা ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিলগী শঙলেন্দগী থাদোরকপা খ্বাইদগী নৌবা ক্রিকেটকী ৱান দে ইন্টরনেসনেলগী রেঙ্কিংদা সাউথ অফ্রিকানা পোইন্ট ১১৯ ফংলগা মকোক্তা লৈরি। ওষ্ট্রেলিয়ানা পোইন্ট ১১৭ ফংলগা অনীশুবদা লোয়ননা ইন্দিয়াগী টিম পোইন্ট ১১৬ ফংলগা অহুমশুবদা লৈরি।

চহী অসিদা পাঙথোকখিবা আইসিসি চেম্পিয়ন্স ট্রোফি ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী য়ুম্নু লৈবাক ইংলেন্দ পরিং অসিদা পোইন্ট ১১৩ ফংলগা মরিশুবদা লৈরি। অদুবু ন্যু জিলেন্দগী টিম ১১১ ফংলগা ৫ শুবা পোজিসন কনবা ঙল্লি।

হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা লন্দনদা শান্নখিবা আইসিসি চেম্পিয়ন্স ট্রোফি ক্রিকেট টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াবু য়াম্না লাকচনা রন ১৮০ দা থোইবা ঙমখ্রবা পাকিস্তানগী টিম পোইন্ট ৯৫ ফংলগা ৬ শুবা পোজিসনদা লৈরি।

বংলাদেশ অমসুং শ্রীলঙ্কা মথংশিংনা পোইন্ট ৯৪ অমসুং ৯৩ ফংদুনা পরিং অসিদা মথংশিংনা ৭ শুবা অমদি ৮ শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙল্লি।

## এদমন্টননা ইন্দিয়া–কানাদা দেবিস কপ টাইগী য়ুম্নু ওইরগনি

*ন্যু দিল্লি, জুন ২০ঃ*
ইন্দিয়ানা কানাদাগা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর থাদা শান্নগদবা দেবিস কপ ৱার্ল্ড গ্রুপ প্লে ওফ টাই শান্নগদবা অদু কানাদাগী সিটি এদমন্টনদা লৈবা নোর্থলেন্দস কোলিসিয়েনদা লৈবা ইন্দোর হার্ড কোর্টতা য়ুম্নু ওইরগা শান্নগদৌরি।

মালেমগী টেন্নিস শান্নবা লৈবাকশিংগী টিমগী ওইবা টুর্নামেন্ট অসিগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা ইন্দিয়া অমসুং কানাদা দেবিস কপ ৱার্ল্ড গ্রুপ প্লে ওফ টাইদা ইন্দিয়ানা কানাদাগা থেংনগদৌরি।

নীংশিংবা য়াবদি টেন্নিসকী টিমগী ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা ইন্দিয়াদগী কানাদানা থাক ৱাংদুনা লৈরি। অদুবু ইন্দিয়া অমসুং লৈবাক অসিগা শান্নগবা ৱার্ল্ড গ্রুপ প্লে ওফ টাই অদুগী য়ুম্নু ওইননবগীদমক লোট তৌনবদা কানাদানা ঙমদুনা য়ুম্নু ওইবগী খুদোংচাবা অদু ফংখিবনি।

টাই অদু চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ১৫ দগী ১৭ ফাওবা শান্নগদৌরি। অদুগা টাই অদুগী মায় পাকপা টিম অদু কুমজা ২০১৮ গী ৱার্ল্ড গ্রুপকীদমক ক্কালিফাই ওইগদৌরি।

## কম্মনৱেল্থ য়ুঠ গেমস য়াওগদৌরিবা ইন্দিয়াগী টিম ভিজাগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরি

*ন্যু দিল্লি, জুন ২০ঃ*
মথং থাগী ১৮ দগী ২৩ ফাওবা ভাহমাসতা পাঙথোক্কদৌরিবা কম্মনৱেল্ঠ য়ুঠ গেমসতা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী টিম ভিসাগী মতাংদা চয়েৎনবা লৈদুনা খুদোংচাদবা মায়োক্লরি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী শান্নরোই অমদি ওফিসিয়েল য়াওনা মীওই ৩০ গী টিম্না কম্মনৱেল্ঠ গেমস শরুক য়াগদৌরিবা অসিদা ভিসাগী মতাংদা চয়েৎনবা অমা লাক্লিবনি।

ভাহমাসতা পাঙথোক্কদৌরিবা কম্মনৱেল্ঠ য়ুঠ গেমস অদুগীদমক ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং অদুগীদমক্তঙা ভাহমাসকী মায়কৈদগী নুমিৎ ৯০ নিগী ভিসাগী তঙাইফদবা লৈরি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ভাহমাসতা শান্নবা য়াওগদৌরিবা এঠলিট অমসুং ওফিসিয়েলশিংগী ভিসা পীননব থাঙ্গৎলকপা ৱাফম অদু য়াম্না থেংবা মরম্না খুদোংচাদবা অসি মায়োক্লরিবনি হায়না ওফিসিয়েল ওইবা ৱারোল অমনা খঙহল্লক্লি।

ইন্দিয়াগী টিম অসিনা এঠলেটিক্স, বোক্সিং, সাইক্লিং, জুদো, স্বিম্মিং অমসুং টেন্নিস মশান্নদা শরুক য়াগদৌরি।